# হুইয়েন লানপাও

Vol. 41, Issue No.232 | শগোনশেল, হিয়াঙ্গৈগী ২৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, November 16, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


প্রমোটিং বিজিনেস ওপোর্চুনিটিজ ইন নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্দিয়া এন্দ ইন্দিয়াস এক্ট ইষ্ট পোলিসী হায়বা হীরমদা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চথগদবা সেমিনার হৌদোকপা



লামায় ৩

থোং তেক্লুনা তাশিনবদা অমাঙ-অতা থোকখিবশিং অমদি গাড়ীগী কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না টি দি সীগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকপা



লামায় ১

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা চীফ মিনিষ্টরনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবীনেটকী মীফম



লামায় ১

লোক্তাক পাৎকী ফুমশঙশিং মৈ থাখিববু নীংশিংদুনা ওল লোক্তাক লেক এরিয়া ফিসরমেন য়ুনিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকপা লোক্তাক লেক অর্সন দে



লামায় ১

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৬৭.৮৫

**দীজল :** লিটরদা লুপা ৫৬.৫৬

## লৈতারসি পূক্লিং ৱাখল শান্দোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ : স্যের এন্দ ক্যের, ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রি মপান ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর) ইম্ফালনা *লৈতারসি পূক্লিং ৱাখল* হায়না মিংথোনবা অনৌবা রেদিও সিরিএল প্রোগ্রাম অমা হয়েংদগী হৌরগনি হায়না এ আই আর ইম্ফালগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিব ফোর হেদ ওফ প্রোগ্রাম এ গিতচন্দ্র শর্ম্মনা থোকপা...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

## লুপা ক্রোর ৪ রোমগী ড্রগ ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ : আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা লৈবা ২৬ সেক্টরগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা মথৌ তৌরিবা ১২শুবা এ আরগী কাঙবুনা ঙসি মালেমগী কৈথেল লুপা ক্রোর ৪.১৮ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন গ্রাম ৩৩,...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.215286 |
| US Dollar | 65.227278 |
| British Pound | 85.922569 |
| Australian Dollar | 49.592751 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.85061 |
| Japanese Yen | 0.578775 |
| Malaysian Ringgit | 15.642621 |
| Norwegian Krone | 7.920798 |
| Singapore Dollar | 48.116783 |
| South Korean Won | 0.059175 |
| Swedish Krona | 7.743707 |
| Turkish Lira | 16.801721 |
| Myanmar Kyat | 0.04777 |
| Bangladesh Taka | 0.78048 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30192.51 |
| Mumbai | – | Rs 30898.40 |
| Delhi | – | Rs 30374.33 |
| Kolkata | – | Rs 31176.47 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ১৮.২৮ °C | ১৫.০৮ °C |
| চান্দেল | ২০.০০ °C | ১৪.২৭ °C |
| সীসীপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| ইম্ফাল | ১৬.৪৮ °C | ১৪.৩৪ °C |
| সেনাপতি | ১৪.০০ °C | ১১.৭২ °C |
| তমেংলোং | এন এ °C | এন এ °C |
| থৌবাল | ১৭.৩৮ °C | ১৫.২২ °C |
| উখ্রুল | ১৬.৮৫ °C | ১২.৩০ °C |
| মণিপুর | ২৩.০৩ °C | ১১.৭২ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## HL POLL

**Q :** Air dispensary leihannaba thourang asi north eastta akhannaba mityeng changlakpani loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Maheiroisingbu lairik tambigadaba ojasingbu BLO oina sijinnabagi thouong yaningbra?

Yes 17% No 83%

## অস! লোইরেহে!

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খঙহল্লু...!



নখোয় কোংগ্রেসতি লায়রদনা বি জে পি ঐখোয় ফাও খঙদ্রি...!

# তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা লুপা ক্রোর ৩২৫ থাদরগনি : সী এম





ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটি অমসুং মীয়াম্না ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু তমেংলোংগী পব্লিক গ্রাউন্দদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা লাকপদা মশীং য়াম্লবা নুপা-নুপী, অঙাং অমসুং মহৈরোয়শিংনা লম্বীগী চিদাইদা পরেং লেপ্পুনা তরাম্না ওকখি। কেবীনেট মিনিষ্টরশিং, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং, চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি য়াওনা লৈঙাক্কী মরুওইবা ফম পায়বা ওফিসলশিংসু চীফ মিনিষ্টরগা লোয়নখি। চীফ মিনিষ্টরবু দোলাইদা তোংদুনা মীয়াম্না পব্লিক গ্রাউন্দদা পুশিল্লকখি। নুংশিরবা ঈশৈ শক্তুনা চীফ মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকখি অমসুং ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

মীয়াম তিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ৩২৫গী শেনফম থাদরগনি। হায়রিবা শেনফম অসি হেক্তা হায়জিন্নবা নত্তে, মহাক্না লাক্লিবসি শেনফম অসি পীনবগীদমক্তনি।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শঙ্গাখি। লুপা ক্রোর ১০ চঙগদবা রানি গাইদিনল্যুগী মিংদা শাগদবা নুপী কৈথেলগী উরেপ-উয়ুংসু চীফ মিনিষ্টরনা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## তমেংলোংদা ষ্টেট কেবীনেট ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না চীংদা চৎলু হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কেবীনেট মীফম পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা ষ্টেট কেবীনেটকী মীফম পাঙথোকখ্রে।

চুড়াচান্দপুর অমসুং চান্দেলগী মথংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা কেবীনেট মীফম পাঙথোকপা তমেংলোংনা অহুমশুবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে।

দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবীনেটকী মীফম্না এদভোকেট জেনরেলগী টার্ম অমদি কন্দিসন রিভাইস তৌবগী ৱাফম অয়াবা পীখি।

চহী ৭কী মমাঙদা লেপখিবা টার্ম অমদি কন্দিসনশিং মতমগা চানরক্তবা মরম্না তঙাইফন্দনা রিভাইস তৌবগী মথৌ তারকখিবনি। হৌজিক চৎনরিবা এদভোকেট জেনরেলগী টার্ম অমদি কন্দিসনশিং কুমজা ২০১০দা লো দিপার্টমেন্টকী...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

# শজিক তম্পাক্তা কাপ্নবদা কাদর ১, এ আরগী পার্সনেল ১ শিরে

## ‘পি এল এ, এম এন পি এফনা এ আরদা লান্দাখ্রে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা শজিক তম্পাক্কী চমোল খুলদা লৈবা ৪শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংগা লাল-হৌবা খুৎপু অমগা নোংমৈ কাপ্নবদা লালহৌবগী কাদর অমা শিরে, এ আরগী পার্সনেল অমসু লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৫.১০ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা ৪শুবা এ আরগী পার্সনেল অদুগী মমিং জয়প্রকাস অরোন (৩৩) কৌই। মহাক ঝরখন্দগীনি। হৌজিক্লা চান্দেলগী চমোলগী এ আরগী পোষ্টতা লৈবনি। শোক্লবা এ আরগী পার্সনেল অদুগী মমিং হবিল্দার গোমপুন (৪৮) কৌই। মহাক্কী ওই থংবগী খুদাংদা নোংমৈ মরু অমা পাল্লি।

থৌদোক অদুদা লালহৌবগী মায়কৈদা অমা শিখি, অমনা ফাখি হায়রি। লৈখিদ্রবা অমসুং ফারে হায়রিবা মীওই অনী অদুগী মমিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফোঙদোক্ত্রি। মখোয়দগী এ আরনা এ কে৪৭ রাইফল অমা, মেগজিন অহুম অমদি আই ঈ দি অহুম ফংলে হায়রি।

অশোকপশিং অদু হেলিকোপ্টরনা লৈমখোংদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটালদা পুরক্তুনা লায়কন্নখ্রে। নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক্কী হকচাং জেনিমসকী মোর্গতা য়ৌরকখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংদা এম্বুস তৌনবা লম্বীদা বোমগী লাং থাক্তুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী এ আরগী পার্সনেলশিংনা মফম অদুদা চঙশিনবদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক পুং ৬.১০ রোম তাবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট দি সী রোডকী মহামনি খুল মনাক্তা পি এল এনা বোমগী এটেক চথবদা ১৮শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সনেল অনী শিখি। অদুগা এ আরগী পার্সনেল তরুক্লা শোক্তুনা লৈমখোংগী আর্মি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

মরক অসিদা, রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি বঙ্কিম অমসুং মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোমাস নুমাইনা পুন্না থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, পি এল এগী ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়নগী লান্মী অমসুং এম এন পি এফকী লান্মীগী অপুনবা কাঙবু অমনা ঙসি শজিক তম্পাক্কী লমদমদা লৈরিবা ৪শুবা এ আরগী মথক্তা লান্দাখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নাকল অহুমদগী থোমজিল্লকপা মশিং য়াম্লবা ময়াং লান্মীশিংগা মায়োক্লবা লানফমদা অথৌবা মরুপ সর্জেন্ট লোকো এলিয়জ থেমরৈয়ো নিংশেংনা থৱায় কৎখি অমদি অথৌবা মরুপ প্রাইভেট ফৈরোইজাম্বা এলিয়জ থোকচোম নিংথেমনা য়েক্লবগী মখুৎতা চনখি। ইমা লৈবাক নীংতম্ন বগীদমক্তা হনবা লৈতনা য়েক্লবগা লাম্লেংনরম্বা অসিদা আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ পি এল এনা কোক নোন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। মখোয়না উৎলম্বা থৌনানা য়াওল ঈহৌ অসিদা অনৌবা থৌনাগী ইনোৎ অমা হাপ্লল্লে।

শজিক তম্পাক্কী লমদমদা ময়াং লান্মীশিংনা লোইলম শন্দোকপা অমা ওইনা ২০০৪ দগী লৈশিল্লকখিবা অসিদগী লমদমদুদা ইংনা চিক্লা লৈজরম্বা মীয়ামগী পুন্সিদা অয়েৎ-অকায় কয়া পীররি। নোংমগী হিংনবগী পুন্সি শিন্থাদা অসুক্কী মতিক অপনবা পীররি। লমদমসিগী মীচম মীয়ামদা অকি-অখং...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# ন্যু দিল্লিদা ৩৭শুবা ইন্দিয়া ইন্টরনেস্নেল ট্রেদ ফেয়রদা মণিপুর ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ন্যু দিল্লিগী প্রগাতি মাইদান্দা লৈবা হমসধৱানি থিয়েটরদা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ৩৭শুবা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল ট্রেদ ফেয়র, ২০১৭তা মণিপুর দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর নুমিৎকী থৌরম অদুদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী টেক্সটাইলস, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইনা অমসুং মনিপুর গভর্নমেন্টকী টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি পি ৱাইফৈনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুবু হৌদোক্লদুনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হায়খি, লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী মীপূম খূদিংমক্তা কান্নবা য়ৌহনগদবা গ্রোথ লৈহন্নবা অমসুং ষ্টেট অসিবু মপানগী মীশিংনা পাম্নবা লমথুংফম অমা ওইহন্নবগীদমক্তা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। অসুম্না হোৎনবদা প্রোগ্রেস খরা লৈরে তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী মরুওইবদি হৌজিক অফবা অহৌবা অমা লৈহনবা ঙম্বসিনি হায়খি।

ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা হোৎনবদগী ইং-চিকপা ফিভম লাক্লে। মণিপুর অসি লৌউ-শিংউ অমসুং হৈ-রাগী পোত্থোকশিংগী ওইবা ওর্গানিক বেল্ট অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা হায়খি মদুদি অসিগুম্বা ফিভম অসিনা হৌজিক ফাওবদা অয়াম্বনা কান্নবা লৌদ্রিবা হীরম অসিদা ইনভেষ্টমেন্টকী অচৌবা খুদোংচাবশিং পীরি।

মহাক্না মখা তারদুনা কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী কেপিটেল সিটি ইম্ফালদা রেলৱেশিং য়ৌরক্লগনি অমসুং ট্রান্স-এসিয়ান হায়ৱেনা ষ্টেট অসিগা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা শম্নহন্দুনা ষ্টেট অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা চৎনবগী ইন্দিয়াগী গেটৱে ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ খুৎয়েক পীনখিবা পঞ্জাব অমসুং মিজোরাম একোর্দতা ষ্টেট থুগাইখিদে : ও ইবোবী

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): কোংগ্রেসনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা পঞ্জাব অমদি মিজোরামনচিংবদা তৌখিবা একোর্দশিংদা ষ্টেট অমত্তদা অকায়বা পীখিদে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মণিপুরগী শক্তমদা কায়হনবা য়ারোই হায়না সী এল পিগী লুচিংবা এক্স-চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি ময়াং ইম্ফাল কৈথেলদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ-মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং খঙহল্লু হায়না চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ময়াং ইম্ফাল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ-মীফমদা শরুক য়ারদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, সেন্টরদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা পঞ্জাব অমদি মিজোরামদা একোর্দ তৌনখি।



মতমদুদা ষ্টেটশিং অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়াদি পায়খৎখি। অদুবু অতোপ্পা ষ্টেট অমত্তদা শোকহনখিদে।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক সেন্টরদা হেক লাকপগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনবা লৈখ্রে। বি জে পিনা য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক তৌগনি হায়না তত্তনা লাউরবসু ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদুদি খঙহন্দনা থল্লি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং খঙহন্দবা অসিনা মীয়ামদা চিংনবা কয়া পোকহল্লি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোলশিং...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

# গাড়ী গ্রুং চৎপদা ৫শুবা এম আরগী পার্সনেল ৩ শিরে, ২না শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টরগী তমেংলোং খোঙচৎ মপুং ফাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী লূচিংবা অদিম পামৈগী এস্কোর্ট ওইনা চৎপা জীপসি অমা গ্রুং চৎপদা ৫শুবা এম আরগী পার্সনেল ৩ শিরে, অনীনা শোক্লে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা নেসনল হায়ৱে-৩৭কী কৈকাও খুল মনাক্তা থোকখিবনি। জীপসি অদু লম্বীগী মতাইদা থৌরম্বদগী মফম ইখঙ খঙহৌদনা লোকখাদা তাশিনখিবনি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুদি ৫শুবা আই আর বিগী হবিল্দার খুরাইদগী সোমোরজিৎ, মহাক্কী রাইফলমেন নম্বরনা ১৫০০৭০০৮ নি। রাইফলমেন কুম্বীদগী কে ঐচ ইবুঙো, মহাক্কী রাইফলমেন নম্বরনা ০৫১২৬৯৮১ অমদি তমেংলোংদগী দোমিনিকনি। মহাক্কী রাইফলমেন নম্বরনা ০৫৯৭৬১৬৬ নি। শোক্লবা পার্সনেল অমদুনা ৫শুবা আই আর বিগী রাইফলমেন কে মোংশাং মরিং, রাইফলমেন নম্বর ০৫০৬৬৪৬৭ নি। অদুগা অতোপ্পা অশোকপা অমদুনা নোনেদগী পোগুলুং গাইথালোননি। অশোকপা পার্সনেল অনীগী হকচাং ঙসি নুমিদাং অথেংবদা রিমস হোস্পিটালদা য়ৌরকখ্রে হায়রি।

# থোং তৎপদা তাখিবা টাটা অমদি পোৎলমশিং শীংগদবনি : টি দি সী

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে-৩৭, ইম্ফাল-জীরি লম্বীগী নুঙ দলাল হায়না খঙনবা মফম অসিদা থা অসিগী ১৩গী অয়ুক্তা বিলাটিমাটি পুবা ট্রক অমা থোং তেক্লুনা তাশিনখিবা অদুদা অমাঙ-অতা থোকখিবশিং অমদি গাড়ীগী কম্পেন্সেসন ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন ঐচ আই টি সী এলনা পীগদবনি হায়না ট্রান্সপোর্টর এন্দ ড্রাইভর কাউন্সীল (টি দি সী)গী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এম জি এভিন্যুদা লৈবা টি দি সীগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, বিলাটিমাটি পুরগা লাকপা ট্রক (এম এন ০৪-১১২২) অসি থোং তেক্লগা তাশিনখি। বিলাটিমাটি অমদি গাড়ী অদু অমাঙ-অতা থোকখি। ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনদি লাইবক ফবদগী শোকহৌদ্রে। গাড়ী অমদি বিলাটিমাটিদি মাঙলে।

নুঙ দলালদা লৈরিবা থোং অসি য়েংশিনবীনবা লৈতবা থোং অমা ওইনা মতম শাংনা লৈরক্লবনি। থোং অসি কুমজা ২০১২-১৩দা শাখিবনি। শাবা কুইদ্রিবা থোং তেকপা হায়বসি ক্বালিটি লৈতে হায়বা তাকপনি। টেষ্ট তৌবদা ক্বালিটি হন্থবা য়োৎনা শাবা থোংনি হায়বসি তাক্লে।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

# ‘মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওনসি হায়বা নত্তে, এস টিকী লিষ্টতা চনসি হায়বনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওনসি হায়বা নত্তে, এস টি লিষ্টতা চনসি হায়বনি হায়না সেদ্যুল্ড ট্রাইব ডিমান্দ কম্মিটি মণিপুর ( এস টি ডি সী এম)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি ৱাইখোম অনন্দা মীতৈনা মিদিয়াদা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, এস টি ডি সী এমনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা এস টি লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়বা খোঙজং অসি ফংদ্রিবা ফাওবা লেপ্পুনা চঙশিনখিগনি। অহানবগী তাঙ্কক ওইনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী মীহুৎকা হৌখিবা ওক্টোবর ২৪ দা য়াম্না পোজিটিভ ওইবা ৱারী শানরবা মতুংদা মখা তানা এস টি ডি সী এমনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাখেনবা অমা য়ৌদ্রিবা ফাওবা মথৌ তাবা খূদিংমক তৌনবা এস টি ডি সী এমনা শেম-শারি।

এস টি ডি সী এমগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি অমা ওইরিবা কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল্ড ট্রাইব ডিমান্দস কম্মিটি, মণিপুর (সী বি এস টি ডি সী এম)গা অপূনবা মীফম ফমদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনবা মীফমশিং পাঙথোক্লি। মীয়ামগী মরক্তা এস টিগী মতাংদা ৱাখল তাদ্রিবশিংবু তাহনবগী খোঙজং অমা ওইনা লেপ্পুনা লৈকাই লৈকাইদা এৱেয়রনেস, সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামশিং মখা তানা পাঙথোক্লবা সী বি এস টি ডি সী এমগী মশা ওইনা ডিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর মঙাসু হাপ্লে হায়রি।

কোওর্দিনেটরশিং অসিগী থৌপাংনবগীদমক ডিষ্ট্রিক্টশিংদা কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমমমসু লৈহল্লগনি। হাপ্লবা কোওর্দিনেটরশিংদুদি ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং ডিষ্ট্রিক্টনি। লমদম অসিগী ক্লব, মৈরা পায়বী, ইন্টলেকচ্যুএলশিং, থৱায় য়াওবীবা মীওইশিংনা কোওর্দিনেটরশিং অসিদা কন্টেক্ট তৌবীদুনা মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোকপদা মীয়াম্না কোওপরেসন পীবিনবা হায়জরি। মখা তাবা গভর্নমেন্টকী ফিরেপশিং মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবীদুনা অপূনবা পাঙ্গল অমগীদমক মীয়াম লেপ্পসি হায়রি।

মীতৈ/মৈতৈ না এস টি লিষ্টতা চনবদা য়ানিংবা অমদি য়ানিংদবা কয়া লমদম অসিদা এস টি ডি সী এমনা থেংনজে। মসি ডিমোক্রেসি চৎপা লম অমগী ফজবা মশক অদুনি। ডিমোক্রেসি...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# ‘লাইরিক থীবা-হায়বা শিনফমসি মাঙখ্রগদ্রা মীপাইরে’

**গ্যানন্দ নাওরেম**

ককচিং, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুরদা ঙসি ঙসিমকসু মরুওইনা গৌর লাইনিং চৎপশিংনা শোরাৎ, ফিরোই, ষষ্টি পুজা অমদি চূড়াকরণনচিংবদা লাইরিক থীবা-হায়বা (সট-শঙ্গ) অসি অদুমক পাঙথোক্লরি। লাইরিক থীবা-হায়বা শিনফম অসিদগী ফংলকপা শেনফমনা ইমুং-মনুং পুদুনা হিংবা য়াই। অসিগুম্বা মখলগী আর্ট অসি মাঙখগদ্রা মীপাইরে হায়না লাইরিক থীবগী শিনফমদা মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা নাওরেম কোকঙাংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।



লাইরিক থীবা-হায়বগী ওজা নাওরেম কোকঙাং

লাইরিক থীবা-হায়বা (সট-শঙ্গ) হায়বা অসি মীওই অনীনা পাঙথোকপা মখলগী আর্ট (কলা) অমনি। পুক্লিং-ৱাখলবু লাকশিনবা, লমচৎ-শাজৎ ফজবা, থৌগল্লোন খঙবা মখলগী শিনফম/কলচর অমা ওইরিবা লাইরিক থীবা-হায়বা অসি সংস্কৃট লোলদা সুর হাপচিন্দুনা শকপা শৈশক অমনি অদুগা মদুগী মণিপুরী লোলদা ৱাহন্থোক পীবা অদুবুনা লাইরিক হায়বা হায়না খঙনৈ। শৈন্যাস, চৈতৈন্য চরন মিত্র, প্রেম বিলাস, ব্রজবস খান্দে অমদি লক্ষমি চরিত্র হায়বনচিংবা মখলশিং অসি ইমুং-ইমুংনা (শৈফম শৈফমনা) পামজবগী মতুং ইন্না শোরাৎ, ফিরোই, চূড়াকারণ অমদি ষষ্টিনচিংবদা থৌগল তৌরি।

নাওরেম কোকঙাংনা মহাক্না করম্না শিনফম অসিদা চঙলকখিবনো হায়বগী মতাংদা পাউদম্লদুনা হায়, মহাক ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ৱাইরি সেনাপটি লৈকাইদা কুমজা ১৯৩৪ গী এপ্রিল ৩০ দা তাইবঙদা খোঙদা-রকখিবা নাওরেম কোকঙাং লৈখিদ্রবা নাওরেম থম্বৌ অমসুং নাওরেম ওংবী মোইরাংথেম নিংঙোল ইবেচা অনীগী মচা অহলনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৬*






HL-P/4725/11Nov-10Dec.